# ভোটরশিংনা ভোট থাদবদা মতেং পাংনবা কেম্প্যেন চখবা হৌরে : দল্লিয়ু চন্দ্রকুমার

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): তরামাথোইশুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন ২০১৭ তা না তাদবা, মীৎ উদবা, অশোন-অনা চাজেনবী অমসুং দিসএবল্ড ওইরবশিংনা ভোট থাদবদা মতেং পাংনবগী কেম্প্যেন চখনবা শেম শারে হায়না সিষ্টেমেটিক ভোটরস এদ্যুকেসন এন্দ ইলেক্টোরেল পার্টিসিপেসন (এস ভি ঈ পি)গী ষ্টেট নোদেল ওফিসর দল্লিয়ু চন্দ্রকুমারনা হায়খ্রে।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা দল্লিয়ু চন্দ্রকুমারনা হায়খি, ভোট থাদবা য়ারবশিংনা ভোট থাদনিংদবগী মরম করিগীনো হায়বসি খঙদোক্লবা খন্ন-নৈনবগী কেম্প্যেন চখরি। মরমদি ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওদবা হায়বসি ভোট থাদবা য়াদে হায়বনি। চহী ১৮শুরবা খুদিংমক ভোট থাদবা য়ানবা কেম্প্যেনসু চথৈ। ঈ ভি এম করিনো খঙদবা মীনা ঈ ভি এমদা ভোট থাদবা অকিবা লৈ খনবদগী ঈ ভি এম ফেমিলরাইজেসন কেম্প্যেন অসি চখরিবনি।

ভোট থাদবা লাকপদা চাজেনবী য়াওরক্কনি। মরম অদুনা মখোয়গী মচানা মবুক লান্নুকপা মতমদা পীথক্লবা কা থমগনি। অশোন-অনা য়াওরকপা, চৎপা ঙমদবা অহলশিং লাকপা মতমদা শীজিন্নবা হুইল চ্যের থমগনি। না তাদবা য়াওরকপদা সাইন তৌদুনা তাকপা ঙম্বা মী থমগনি। মীৎ উদবা অমদি দিসএবল্ড ওইরবশিংগীদমক্তা গাইদ তৌনবা তোঙান্না মী থমগনি। মখোয়বু ক্যুদা পরেং লেংহন্দনা হান্না ভোট থাদনবগী খুদোংচাবা পীগনি। অসিগুম্বা ময়াম অসি রিটর্নিং ওফিসরনা থিদোকপা লোইরে অমসুং থবক থৌরাং কয়া পায়খৎনবা শেম শাবসু লোইরে।

এস্যুর মিনিমম ফেসিলিটি হায়না লৈরিবসিনা ময়াম অসি ক্যু লেপ্তুনা ৱাহনবগী মহুৎতা হান্না ভোট থাদনবগীদমক্তনি। ভোট থাদবগী মরমদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুগী কেন্দিদেট ৩/৪ থোক্লকপা মতমদা অমত্তা পামদবদগী ভোট থাদদবা য়াওরি। কনাগুম্বনা থাদনিংদ্রবসু নোটা হায়রিবা অসিদা নম্বীয়ু। মসিদা পামদবগী মরমসু নৈনরক্কনি অমদি পামদে হায়বদু খঙহন্নবনি। মসিদসু নৎতনা ভোট থাদবা মতমদা থেংনা থাদবগী চৎনবী অমা লৈরিবসি করিসু নত্তে। থেংনা ভোট থাদবসি শেল ঙাইবনি হায়না খঙনৈ। মসি তৌদনবা ইথিকেল ভোটর কেম্প্যেনসু চথরি। মরমদি শেল ঙাইবগী মহুৎতা অপাম্বা কেন্দিদেট অদুদা ঙন্তানা থাদনবগীদমক্তনি।

পোল্লিং ষ্টেসন মফম খঙদবা অসিনসু ভোটথাদদবগী মরম ওই। মরম অদুনা ইন্টর্নেট সিষ্টেম শেমদুনা কম্প্যুটরদা থল্লি। মসিনা ভোটর অদুনা পাল্লিবা মফম অদু কম্প্যুটরদা নল্লগা খুদক্তা খঙহন্নবনি হায়খি।

ঈ ভি এমদা ভোট থাদবদা মখোল অমা থোক্কদবনি। করিগুম্বা মখোল থোক্তবা তারবদি মথৌ তৌরিবা পোল্লিং ওফিসলশিংদা খুদক্তা হায়বীয়ু। অদুবু হৌজিক্তি ঈ ভি এমদা ভোট থাদবদা থাদখ্রিবা ভোট অদু অপাম্বা কেন্দিদেটকীদমক্তা রেকোর্দ তৌখ্রে হায়বা মশানা খঙজনবগী খুদোংচাবসু লৈরগনি। ভোট খুদিংমক কনামক্তা খঙহন্দনা লোন্না থাদগদবনি। কনাগুম্বা ভোটর অমনা মীখলগী মথৌ তৌবদগী মশাগী পোল্লিং ষ্টেসনদা ভোট থাদবা চৎপা শংদ্রবসু অতোপ্পা মফম অমদগী মহাক্কী ভোট থাদবগী খুদোংচাবসু লৈরগনি হায়না চন্দ্রকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা দ্রোয়িং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর মণিপুরনা শীন্দুনা সিষ্টেমেটিক ভোটর এদ্যুকেসন এন্দ ইলেক্টোরেল পার্টিসিপেসন (এস ভি ঈ ঈ পি) কেম্প্যেনগী মখাদা ঙসি খুমন লাম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী কাঙশঙদা ষ্টেট লেবেল দ্রোয়িং কম্পিটিসন ২০১৭ পাঙথোকখ্রে।

জোইন্ট চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর রিসিকেশ মোদাকনা হায়খি, এভ্রি ভোট কাউন্টস হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসন অসিগী অহানবা মকোক-মথং তারক্লবা মহৈরোয় ১০বু থা অসিগী ২৫ দা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল ভোটর'স দেগী থৌরমদা হরাও তরাম্না ওক্কনি।

পেন্টিং কম্পিটিসন অসিগী অহানবা মকোক থোংবা ৱিন্নর অনী অদু ঈ সী আইদা থাগনি অমদি মখোয়না য়েকপশিং অদু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা নেসনল ভোটর'স দেগী থৌরমদা উৎকনি। ৱিন্নর অনী অদু ৬৮শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরম দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অদু য়েংগনি। মখোয় অনীগী লৈফম অমসুং চৎপগী থৌদাং চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর মণিপুরনা পুগনি।

# লৈচিন্ন খুমখিবা থাজ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা ওল্ড এসেমব্লি রোদতা লৈবা মণিপুরী হিন্দি পরিষদকী হোলদা সাহিত্য একাদেমী ট্রান্সলেসন প্রাইজ ফংখ্রবা ৱাইখোমচা ইবোতোম্বী মঙাংগী ১৩শুবা উপন্যাস *লৈচিন্ন খুমখিবা থাজ* ঙসি ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা হুইরেম বেহারি, কনভিনর মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দিল্লিনা চীফ গেষ্ট; সোরোখাইবম চাওবা, হান্নগী প্রসিদেন্ট, কলচরেল ফোরম, মণিপুরনা প্রসিদেন্ট অমসুং ডা. শরতচন্দ্র লোংজোম্বা, এসোসিএট প্রোফেসর দি এম কোলেজ ওফ আর্টসনা লাইরিক মশক তাকখি অমসুং কোইজম শান্তিবালা, এসোসিএট প্রোফেসর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লাইরিক অদুগী মরমদা নৈনখি।

সাহিত্য একাদেমী ট্রান্সলেসন প্রাইজ ফংখ্রবা ৱাইখোমচা ইবোতোম্বীনা হায়খি, লাইরিক অসিদা মরুওইনা হান্না লৈরম্বা লাঙ্গোলগী শক্তম, মঙারক কানবী হায়না খঙনরম্বা মফম সোসাইটি তৌবশিংবু মশা মথন্তা শিজবা মীওইশিংবু পোৎলোইবা য়াদবা মঙারক কানবীদা হুন্দোক্লম্বা অসি ঙসিদি খঙনদ্রে। ফীভম অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা লাঙ্গোলগী মশক অসি খঙহন্নীংবদগী লাইরিক অসি ইজবনি। অদুগা লোয়ননা লম্ফেল অসি পাৎ ওইরম্মী হায়বসি খঙজিল্লক্তবা মতম অদুগী পাৎ অদুনীংশিংজবনি। হৌজিক্তি লম্ফেলদা পাৎ ওইরম্মী হায়বসি থাজররোইদবা মশক অমসু ওইরে।

লাইরিক মশক তাকখিবা ডা. শরতচন্দ্র লোংজোম্বনা হায়খি, ঐখোয়গী নাৎ অমসুং চৎনবী কয়াগী মশক উৎপা লাইরিক অমা ওই। অমরোমদা নুংশিনবা হায়বসিদা থুংহন্নবগী মরম পীবা অমসু ওইহল্লি।

লাইরিক অসি নৈনখিবী কোইজম শান্তিবালানা হায়খি, উপন্যাস অসি নুংশিবা মশক তাক্লবা হোৎনবনি। নুংশিবগা মরী লৈনবা লাইরিক কয়া ইখ্রে। অদুবু মসিদি তোঙানবা মওংদা ইবনি।

# শীংজু ফেষ্টিবেল ২০১৭ কী পোষ্টর রিলিজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): শীংজু য়োকখৎপা লূপ (এস ৱাই ও এল), মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা শীংজু ফেষ্টিবেল কম্মিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৮ দগীনা মথং থাগী ৮ ফাওবা নুমিৎ ১২ নি চুপ্পা এম এম আর সী এন্দ য়ুনিটি পার্ক, খাঙবোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা শীংজু ফেষ্টিবেল ২০১৭গী মাঙওইননা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা ককচীং কৈথেলদা লৈবা ইরাবত মেমোরিএল কমপ্লেক্স মমাঙদা শীংজু ফেষ্টিবেল ২০১৭গী পোষ্টর রিলিজ তৌখিবগা লোয়ননা পোষ্টর কেম্প্যেনসু হৌদোকখ্রে।



শীংজু ফেষ্টিবেল কম্মিটিগী কনভিনর রাকেশ নাওরেমনা ফোঙদোকখিবদা, ফেষ্টিবেল অসিগী মাঙওইননা থা অসিগী ২৩গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুল, খোংজোমদা শীংজু ফেষ্টিবেলগী অখন্নবা ৱেবসাইট অমা হাংদোক্লগনি। লোয়ননা নুমিৎসিগী নুংথিলদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট অমদি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট খরদা লৈবা চিলদ্রেন হোমগী অঙাংশিংদা চান-থক্লবা অমদি চে-কলম য়েন্থোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ২৫ দনা ককচীং লমখায়দগীনা এম এম আর সী এন্দ য়ুনিটি পার্ক খাঙবোক ফাওবা শীংজু মেন'স লমশাং লমজেল পাঙথোক্কনি।

ফেষ্টিবেলগী ভাইস চ্যেরমেন নরেংবম রজিবকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ফেষ্টিবেল অসিদা আর্ট একজিবিসন অমসু হাপচিনবগা লোয়ননা লাইভ পেন্টিং শো অমসু হাপ্পুনা ফেষ্টিবেলসিদা অনৌবা মশক অমা থোকহন্নবা হোৎনগনি। লোয়ননা ফেষ্টিবেল অসিদা মমাঙঙৈদগী চৎনরক্লিবা অমদি লাই-তিনগী থৌরমশিংদা শীজিন্নরক্লিবা শীংজু মখলশিংসু ফংহন্নবা হোৎনগনি।

থৌরম অদুদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা ফেষ্টিবেলগী ব্রান্দ এম্বেসেদর লৈশাংথেম তোম্থোইনা হায়খি, শীংজু ফেষ্টিবেলদা লমদমসিগী কাঙলূপ খুদিংমক্কী কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎপগী খুদোংচাবা পীজগনি। ফুরুপ খুদিংমক্কী ইচিল-ইনাওশিংনা নাৎকী ওইবা থৌরমশিং উৎপীয়ু। অপূনবগী শক্তম শেমগৎমিন্নসি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা পোষ্টর কেম্প্যেন অদুদা ফেষ্টিবেল চ্যেরমেন সী ঐচ রনবির, মেম্বর এন বাবুলিন, লাইমুজম প্রতাপ অমদি অতৈ মরুওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। ঙসিদগী হৌখিবা কেম্প্যেন অদু ককচীংদগী হৌরগা, খোংজোম, তেকচম, সাপম, লাংঙথেল, ৱাংজিং, লমদিং, হৈরোক, সলুংফম, থৌবাল, য়াইরিপোক, লিলোংনচিংবা মফমশিংদা চথখি।

ফেষ্টিবেল অসিগী মরমদা লৈবাক মীয়াম্না হেন্না কুপ্পা মরোল খঙবী-নীংবা লৈরগদি শীংজু ফেষ্টিবেল কম্মিটিগী ওফিসল কন্টেক্ট নম্বর ৯৮৬২১০০৬৫৮/৯৮৫৬৩৯০৫৭২ দগী অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## এম এস এফকী ইলেক্সন কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): মণিপুরী ষ্টুদেন্ট'স ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ১৯শুবা ফেদরেল ইকজিক্যুটিব কাউন্সিলগী ইলেক্সন ২০১৭-১৮ পাঙথোক্লবগীদমক কম্মিটি শেমখ্রে।

কম্মিটি অসিগী থৌ পুনবা ওইনাম নন্দবাবুবু চ্যেরমেন, টি ঐচ উদয় লুৱাংবু রিটর্নিং ওফিসর, এসিষ্টেন্ট আর ও ওইনা য়ু টিকেন, মেম্বরদা এল উমাকান্ত অমসুং কে ঐচ সিরাজউদ্দিনবু হাপখ্রে।

ইলেক্সননা থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্কনি। নোমিনেসন ফোর্মনা থা অসিগী ২২ দগী থাগনি অমসুং নোমিনেসন ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ২৭ ওইবগা লোয়ননা থা অসিগী ২৮ দা স্ক্রুটিনি তৌগনি হায়না এম এস এফ হেদ ওফিসকী ভাইস প্রসিদেন্ট খুন্দ্রাকপম মেক্সনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## এম এস এফনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১: কৈবুল লমজাও পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থাঙ্গা চীংখা লৈকায়দগী হাওবিজম মণিচন্দ্রবু পুলিসকী টিম অমনা মমাঙদা মণিপুরী ষ্টুদেন্ট'স ফেদরেসন (এম এস এফ) য়াওরম্বগীদমক ফাজিল্লুবা অদুগীদমক এম এস এফনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফ হেদ ক্বার্টরসকী পব্লিসিটি ইন-চার্জ নিংথৌজম জুগেনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, করিগীদমক এম এস এফ য়াওরম্বগীদমক ফারিবনো, মীওই অমবু এম এস এফ য়াওরম্মী হায়দুনা ফাজিনবা অসি মরম চাদবা থৌওংনি। লোয়ননা মহৈরোয় লূপশিংবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবনি অমদি মহৈরোয় লূপশিংবু অরানবা লম্বীদা লমজিংনবা শীনবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না থোকহনবীদনবা হোম দিপার্টমেন্টকী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি। লোয়ননা মহাকপু ফাবদা চেন্নরিবা পুলিস ওফিসর অদুবু অথুবা মতমদা মরী লৈনবা হোম দিপার্টমেন্টনা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়রি।

# লিগেল এইদ ক্লিনিকশিং হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটি অমসুং নির্বনা ফাউন্দেসন অনীনা শীন্দুনা নোর্থ এ ও সীদা লৈবা নির্বনা ফাউন্দেসনগী ওফিসতা লিগেল এইদ ক্লিনিক হাংদোকপা অমসুং নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জষ্টিশ এন কোটিশ্বর, জজ, হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমসুং ইকজিক্যুটিব চ্যেরমেন মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটি, আর কে মেমচা, মেম্বর সেক্রেটরি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটি, সোভানা সোরোখাইবম, সেক্রেটরি নির্বনা ফাউন্দেসন, রাকেশ মৈহৌবম, দিরেক্টর হ্যুমেন রাইট লো নেটৱার্ক অমসুং টি ঐচ প্রেমিলা, মেম্বর ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা জষ্টিশ এন কোটিশ্বরনা হায়খি, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনদা য়াওরিবদি পুন্নমকপু চপ মান্ননা পুরকপনি। লিগেল এইদ সার্ভিস অসি করম হায়না হৌরকখিবগে হায়বদা মী অনী খৎনবা মতমদা শন দাইনবা অদুনি। কোর্টতদি লৈত-লায়রা অমদি অশোন-অনাশিং অসি জষ্টিশ ফংবা ঙমদ্রে খঙবনিনা সুপ্রিম কোর্টনা দিরেক্সন পীবা হৌরে। মদুগুম্বা অদুনি লিগেল এইদ পীয়ু, অদুগা চেক তৌরুচো, গভর্ণমেন্টনা উকিলশিংগী শেলসু পীহল্লগা য়েংশিনহল্লু হায়বা থৌওং অদু চত্থরকপনি। ইন্দিয়াদা লিগেল সার্ভিস ওঠোরিটি এক্ট হায়দুনা ১৯৮৭ দা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখ্রে।

অমরোমদা, মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটি অমদি এল এম এস লো কোলেজ ইম্ফাল অনীনা পূন্না শীন্দুনা লিগেল এইদ ক্লিনিক অমা হাংদোকপগা লোয়ননা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা এল এম এস লো কোলেজদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জষ্টিশ এন কোটিশ্বর, জজ, হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমসুং ইকজিক্যুটিব চ্যেরমেন মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটি অমসুং কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল সলাটুর রাহমননা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচানা হায়খি, ঐখোয়না খজিক্তং নারকপদা ক্লিনিক্তা পুরগা অনাবা লায়েংবা ঙমদ্রগা হোস্পিটালদা রিফর তৌই। অদুগুম্না লোগী অনাবদা লিগেল এইদ ক্লিনিক অসিদা অহানবগী ওইনা অনা-লায়েংনবা হোৎনগনি। কোর্টতা মতম চঙনা কেস তৌবগী মহুৎতা লিগেল এইদ ক্লিনিক অসিদা মাগী-মাগী অৱাবশিং অদু হায়রগা নোটিশ থারগা কৌরগা পার্টি অনীদু ফম্মিন্নরগা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবনি। করিগুম্বা য়ানদ্রগনা অমুক লোক অদালটতা হাপ্লগা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনৈ।

B.C.C. Manipur

Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995

KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP

The Longest Coaching Centre in Manipur & 22 years service

Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM

ADMISSION OPEN

CLASS X, XI & XII Sc REVISION COURSE

(Separate class - CBSE & COHSEM)

Sub: X (All subject), XI & XII Sc (Phy, Che, Bio, Maths, Eng,)

CLASS IX & X FOUNDATION COURSE 2016-17

Class Timing : Morning : 7:00 am to 9:00 am
Evening : 4:30 pm to 7:30 pm

Please Contact: Office of the BCC Manipur Elite Senior Sec. School Building

Hostel & Van Service facilities # 9615385953 / 8731833072

HL-B/3564/23/12-22/01

## এ এম এস এস এগী ফাউন্দেসন দে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২গী অয়ুক পুং ৯ তাবদা ওল মণিপুর সাউন্দ সার্ভিস এসোসিএসন (এ এম এস এস এ)গী ১৬শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম এম দি য়ু হোল, য়াইস্কুলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা শিনফম অসিগী লাইওইখ্রবা মেম্বরশিং অমদি লময়ানবীরম্বা অহল-লমনশিংবু নীংশিংদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমজগনি। মরম অদুনা মেম্বরশিংনা মতম চানা থৌরম অসি য়াওনবা এ এম এস এস এগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): মণিপুর কৈথেল নুপী মরূপ খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুরম্বী আর কে ফজবী শীজ (৮২) নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়দা লৈবী ন্যু মার্কেটতা ফনেক মপান নাইবা য়োনবী অসিনা থা অসিগী ১৮ দা লৈখিদবদা লূপ অসিনা কৈথেলদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবী অসিনা খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল অসিবু কনবদা অমদি কৈথেলগী ঈহৌ কয়াদা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা লাকখিবী থৌনা ফবী নুপী অমনি হায়না লূপ অসিনা ফোঙদোরক্লি। লুচিংবী অসিনা লৈখিদবদা লূপ অসিনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

## চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): রামা ফাউন্দেসন নাগামপাল রিমস রোদ অমসুং এন ঈ আর সী ও আর এম পি চুড়াচান্দপুরগা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ নীনিগী ওইবা চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং অমা পাঙথোকখ্রে।

থা অসিগী ১৭ তগী ১৮ ফাওবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং অদুদা মীওই ১০না শরুক য়াখি। থৌরম অসি এন ঈ আর সী ও আর এম পি চুড়াচান্দপুরনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকপনি। চেঙ্গুমগী পোথোক হেন্না পুথোক্লবগীদমক ট্রেনীশিংদা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্টসু পীগনি হায়রি।

ট্রেনিং অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ডা. রোসন, কে ভি কে চুড়াচান্দপুরনা সাইন্টিফিক মেথদতা চেঙ্গুম থাবগী স্লাইদ শোশিং উৎতুনা ট্রেনীশিংদা মচা খায়না তাকপীখি অমসুং রামা ফাউন্দেসনগী এম দি এস রাজেন্দ্রকুমারনা রিছোর্স পার্সন ওইনা মখল-মখা কয়াগী চেঙ্গুম থাবগী টেক্নিক কয়ামরুম প্রেক্টিকেল ওইনা তাকখি। চেঙ্গুম চাবগী কান্নবা, মখল কয়া থোক্লা থোংবা, চেঙ্গুম কৌতা শেন্বা, অচার শেন্বা, থাবা লোইখ্রবা মতুংদা হার শেন্বগী মতাংদসু শুগাইনা খঙহনখি।

চহী খুদিংগী চুড়াচান্দপুরদা লল্লক্কী চেঙ্গুম চাবদগী মী শিরিবা অসিগী মতাংদা শকখঙদবা লল্লক্কী চেঙ্গুম চাদনবসু আপিল তৌবগা লোয়ননা হূচেনবা চেঙ্গুম করম্না মশক খঙগদগে হায়বসু শন্দোক্লা তাকখি। মার্কেটিং অমদি ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্সকা লোয়ননা চেঙ্গুম থাবদা চঙবা পোৎলমশিংসু ট্রেনীং ফংলবশিংদা হোংনা ফংহনগনি হায়খি। থা অসিগী ২৫ দগী রামা ফাউন্দেসননা শীন্দুনা লেম্না চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং পাঙথোক্কনি হায়রি।

## আর্টিকল কৌরি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): নোংচুপ হারম খোর্জে লূপ (নোহাখোল), য়ুরেম্বম খোরিরোল লূপ অসিগী লাক্লিবা এপ্রিল ২১ দা পাঙথোক্কদবা থৌরমগা ইরোয়ননা পুথোক্কদবা ঈচেল চেফোঙগীদমক লূপ অসিগী মেম্বরশিং অমদি অইবা, অইবীশিংনা শৈরেং, ৱারীমচা, ৱারেং অমদি নৈন-ৱারেংনচিংবা অইবা কোপী অমমমদং লূপ অসিগী সেক্রেটরি নৎত্রগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা ফেব্রুৱারী ফাওবগী মনুংদা পীশিনবীরকউ হায়না তোংব্রম শামুঙৌ, জেনরেল সেক্রেটরি নোহাখোলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## ইভফমগী টেম্পররি ওফিস থিংজিল্লে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): এক্স্ট্রা জুদিসিএল ভিক্টিম ফেমিলিজ এসোসিএসন মণিপুর (ইভফম)গী টেম্পররি ওফিস অমা ওল মণিপুর বার এসোসিএসন বিল্ডিংগী চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা অনীশুবা মথোলদা হাংলম্বা অদু থিংজিল্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ অমনা কুমজা ১৯৭৯ দগী ২০১২ ফাওবদা পুলিস/পেরামিলিটরি/আর্মিনা হাৎখিবনি হায়না মরাল শীরিবা মীওই ১৫২৮ কী লিষ্ট অদুগী দাটা কলেক্সন খোমগৎপদা তেংবাংবীখিবা ইমুং-মনুং, মরূপ-মপাং অমসুং ভিক্টিমশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ওল মণিপুর বার এসোসিএসনগী ওফিসতা মীওই লিশিং কয়া লাক্নুনা দাটা খোমগৎপগী অয়াবা পীখিবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## অন্দ্রোদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): ভেল্যু এদেদ ফিশ প্রদক্টস টেক্নোলোজি ফোর ইম্পাৱরমেন্ট ওফ ৱিমেন হায়বা হীরম অসিদা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা কোলেজ ওফ ফিশরিজ লেম্বু চিরা, ত্রিপুরা, সী এ য়ু, ইম্ফালগা দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন সী এ য়ু ইম্ফাল অমসুং কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্ট অন্দ্রো সী এ য়ুনা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৯ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোকখ্রে।

ডা. আর কে মজুমদার, এসোসিএট প্রোফেসর, কোলেজ ওফ ফিশরিজ লেম্বু চিরা, ত্রিপুরা, সী এ য়ু ইম্ফালগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা মেম্বর ৩০ হেনবনা শরুক য়াখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ফিশ পিক্কলস, ফিশ কটলেট, ফিশ ফিঙ্গর, ফিশ মোমো, ফিশ পকোরা, ফিশ সেন দৱিচনচিংবা মফম অসিদা ফংবা ঙাশিংনা শাবগী মরমদা ট্রেনিং পীখি।

ট্রেনিং অদুগা মরী লৈননা ডা. টি মেধাবতি, প্রোগ্রাম কো ওর্দিনেটর ওফ কে ভি কে ইম্ফাল ইষ্ট অন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা কে ভি কে ইম্ফাল ইষ্টনা মখা তাবা থবক কয়া লৌখৎকনি অমসুং হীরম অসিদা ৱিমেন ওন ট্রেপ্রেন্যুরশিং চাউখৎহন্নবা নাবার্দ মণিপুর সেন্টরগসু খন্নগনি হায়খি। অসিগুম্বা মখলগী ট্রেনিং অসি থবক ফংদ্রিবা নুপীশিংগী স্কিল দিভলপমেন্ট লৈহন্নবা অমসুং স্মোল স্কেল য়ুনিটশিং হাংদোক্লবা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা পাঙথোকপনি হায়খি।

## কাদা য়ুনিট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) হেদ ওফিসকী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ প্রিয়োনা প্রিসাইদ তৌদুনা কাদা থিয়াম কোঞ্জিল য়ুনিট হাংদোকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থিয়াম কোঞ্জিলগী য়ুনিট অদুগী থৌ পুবা ওইনা হিজম ওংবী মণিবু প্রসিদেন্ট, চৌধুরিময়ুম ওংবী পুর্ণিমাসিবু জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং কোন্থৌজম ওংবী বিনাশখিবু ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল সঞ্জিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।


## সম্বৈ য়ুথ ক্লবকী মপোক কুমওন

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১(ঐচ এন এস): সম্বৈ য়ুথ ক্লবকী ৫৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি সম্বৈ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীংঙারেল পোষ্ট সী এ আরগী ৪৫-অসাম রাইফলসকী মেজর এম গেগরিননা চীফ গেষ্ট অমসুং সম্বৈ য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্ট এন রাবৈনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ক্লব অসিনা কোনবা মফমদা লৈরিবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বতা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোয়শিংনা অচম্বা মনা-মথুমশিং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। লোয়ননা চহী অসিগী কেলেন্দর অমসু রিলিজ তৌখি।

## CROSSWORD-2307



**ACROSS**

7 Suitable (11)
8 Stop speaking (4,2)
9 Robbery at sea (6)
10 Instrumentalist (6)
12 Take for granted (6)
13 Snake (3)
14 In addition (2,4)
16 Interior (6)
18 Bosom (6)
20 Gypsy (6)
22 Futility (11)

**DOWN**

1 Ready money (4)
2 Indifference (6)
3 Non-commissioned officer (8)
4 Let fall (4)
5 The sign of the bull (6)
6 Greeted (8)
11 Shiny (8)
12 Beekeeper (8)
15 Rubbed out (6)
17 One of the four seasons (6)
19 At that time (4)
21 Prying (4)


Solution 2306

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | O | P | H | A | T | | E | M | B | A | R | K |
| H | | R | | C | | | | A | | G | | N |
| A | B | O | U | T | | T | O | R | N | A | D | O |
| T | | V | | E | | A | | T | | T | | T |
| C | H | E | D | D | A | R | | I | N | E | R | T |
| H | | R | | | | P | | N | | | | Y |
| | | B | A | R | B | A | R | I | A | N | | |
| C | | | | E | | U | | | | I | | C |
| L | I | L | A | C | | L | I | B | R | A | R | Y |
| O | | E | | L | | I | | A | | G | | C |
| S | E | A | L | I | O | N | | S | H | A | W | L |
| E | | R | | N | | | | T | | R | | E |
| D | I | N | N | E | R | | R | E | T | A | R | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



**অঙৌবা পকপা :**
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

**তাং-তাং চিকপা :**
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

**নুপাগী প্রোব্লেম :**
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

**নুপীগী প্রোব্লেম :**
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

**নুংশং অমসুং গ্যাষ্ট্রিক্কী :**
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

**ডাইবেটিস :**
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

**নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :**
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3586/03/01-02/02

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2106

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | 8 | |
| 8 | 1 | 4 | | | 5 | | | |
| 9 | 6 | | | 1 | 8 | | 2 | |
| 1 | | 3 | 6 | | | | | |
| | | | | | | | | |
| | | | | | 7 | 8 | | 9 |
| | 4 | | 7 | 3 | | | 1 | 5 |
| | | | 4 | | | 3 | 7 | 6 |
| | 2 | | | | | | | |

Solution-2105

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 3 | 1 | 4 | 6 | 5 | 2 | 8 | 7 |
| 6 | 5 | 2 | 8 | 7 | 3 | 4 | 9 | 1 |
| 8 | 7 | 4 | 2 | 9 | 1 | 5 | 3 | 6 |
| 2 | 9 | 3 | 6 | 5 | 4 | 7 | 1 | 8 |
| 1 | 6 | 8 | 3 | 2 | 7 | 9 | 4 | 5 |
| 5 | 4 | 7 | 1 | 8 | 9 | 3 | 6 | 2 |
| 7 | 1 | 6 | 9 | 4 | 2 | 8 | 5 | 3 |
| 4 | 8 | 5 | 7 | 3 | 6 | 1 | 2 | 9 |
| 3 | 2 | 9 | 5 | 1 | 8 | 6 | 7 | 4 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9. Every row must contain the numbers from 1 through 9. Every column must contain the numbers from 1 through 9. Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9